**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02.06.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোৎ মশিং লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থীনবা শেম শারে।

২) রাজ্য অসিগী মহৈলোইশঙশিং ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ৪ ফাওবা ছুতি লাউথোকখ্রে।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা মোলতি ংচাম খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

৪) মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর আই.এম.দি ইম্ফালনা হায়রি- ইম্ফাল ইষ্ট নত্তনা রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা হয়েং ফাওবদা অখাক অরাউ অমসুং নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৫) বিধান সভা মীখলদা সিক্কিমদা সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চা অমসুং অরুনাচল প্রদেশতনা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্লে।

------

কাউন্তিং ঃ ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোৎ মশিং লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থীরগনি।

মণিপুরদসু ইন্নর অমসুং আউটর অনিমক্কী ভোৎ মশিং অয়ুক পুং ৮ দগী হৌনা থিননবা মরী লৈনবশিংনা শেম শাবা লোইখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চান্দেল, উখ্রুল, সেনাপতি, কাংপোকপী, তমেংলোং, চুরাচান্দপুর অমসুং জিরিবামগী পুন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ১১ দা কাউন্টিং সেন্টর ২৪ হাংদোক্লুনা ভোট মশিং থিগনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থারকপা কাউন্টিং ওবজাভরশিং হয়েং রাজ্য অসিদা থুংলরগনি। ভোট মশিং থিগদৌরিবা মফম পুমমক্তা সি.সি.টি কেমেরা থমগনি। ভোট মশিং থিবা লোইবা রাউন্দ খুদিংগী মীয়ামনা এনকোর এপ্লিকেসন ভোটর টর্ন আউট মোবাইল এপ্লিকেসন অদুগা রিজল্টস দোট ই.সি.আই. দোট গোভ দোট ইন-দসু য়েংবা য়াগনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ভোৎ অয়ুক পুং ৮ দগী মশিং থীবা হৌগনি। নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ৬ মখায় চপ চানা ষ্ট্রোং রুম হাংদোক্কনি। পোষ্টেল বেল্লোটশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি কমপ্লেক্সতা খক্তা মশিং থিগনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা পুন্না কাউন্টিং হোল ৯ লৈগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনসু ভোৎ মশিং থিনবগীদমক শেম শাবা পুমমক লোইরে। অয়ুক পুং ৮ দগী হৌদুনা কাউন্তিং হোল ৬ তা থীগনি

অমরোমদা, ভোৎ মশিং থীবা নুমিৎকা মরী লৈননা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা হায়- নুমিৎ অসিদা জিলা অসিগী মফম খরদা লন্থী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি। অদুমওইনমক, মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবশিং, এজেন্টশিং অমদি ভোট মশিং থিবা য়াওগদবা মীওইশিং য়াওনা মরী লৈনবা মীওইশিংদি হায়রিবা লন্থী অসিদা চৎপদা অথিংবা লৈরোই।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- জিলা অসিদা কাউন্তিং ওবজার্ভর ওইনা মথৌ তৌগদবা ওফিসিয়েল মরি লাক্লুনা ঙসি ভোৎ মশিং থিনবা শেম শারিবশিং অদু য়েংশিনখ্রে। ষ্ট্রোং রুমসু য়েংশিনখি হায়রি।

ছুতি (এল) ঃ রাজ্য অসিগী মহৈলোইশঙশিং ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ৪ ফাওবা ছুতি লাউথোকখ্রে।

হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসন বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিগী সরকারগী অমসুং লন্নাইগী হায়র এন্দ টেকিকেল মহৈ লোইশঙশিং থা অসিগী ৪ ফাওবা ছুতি ওইরগনি। রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ঈচাউনা য়ুম অমদি লম্বীশিং মফম খরদা হৌজিক ফাওবা ঈশিং থুমজিনদুনা লৈবনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। অমরোমদা, রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ঈচাউগী ফিভম অসিগী য়েংলগা সরকার অমসুং লন্নাইগী স্কুলশিং থা অসিগী ৪ ফাওবা ছুতি ওইরগনি হায়না ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর লাইশ্রম নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অস্বিনি (এল) ঃ এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অস্বিনি কুমারনা কৌব্রু চীংদগী হৌরকপা মেরা খোং মরীলগী ফিভম ঙসি য়েংশিনখ্রে।

ঙসি য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শ্রী অস্বিনিকুমারনা হায়- খোং অসি লমশাং, কোন্থৌজম, নাউরিয়া পাখংলাকপা অমসুং নম্বোল কেন্দ্রশিং ফাওদুনা চেল্লগা লোক্তাক পাৎতা তাখি। খোং অসি ফুনজিনবনা হন্দক্কী নোং কা হেন্না চুবা অদুদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকখি। শ্রী অস্বিনিকুমারনা খোং শেংবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংবু থাগৎলদুনা হায়- এল.দি.এনা মখা তানা খোং অসি শেংবদা মতেং পাংদুনা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা মখা তানা হোৎনখিগনি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা মোলতি ংচাম খুলদা ঙসি অয়ুক থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

ঐখোয়গা ককচিং পাউমী নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা পুলিসকী পল্লদুনা হায়- অপুনবা সেক্যুরিতিগী কাংবু অদুনা মফম অদুদগী পোইন্ট থি সিক্স ঐচ.ই গ্রেনেদ মরি, হেলমেট অনি, কন্ত্রি মেদ এক্সপ্লোসিভ পাইপ লোঞ্চর অনি, বাউফেং রেদিও হেদসেট অমা, তুয়েল্ব বোরগী নোংমৈ মরু অহুম, টু ইঞ্চ মোর্তার স্মোক সেল ৫ অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি। হিরম অসিগী মতাংদা শুগনু পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

থৌবাল (এল) ঃ থৌবাল তুরেলগী ঈশিং চহি চুপ্পা লৈনাং চেনবনা তুরেল অসিদগী ঈশিং চিংখৎলগা মীয়ামদা তোতি ঈশিং পীনবা পায়খৎলিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম থবক ঙম্লক্তবগী ফিভমদা লৈরে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- পাব্লিক হেলথ দিভিজনগী মখাদা শাবা লোইরবা অমসুং থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা চলাইরিবা শাবল তোংবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী রিজার্ভর খুদিংমক তুরেল ঈশিং অনৈবদা য়াওরকপা লৈনাংনা ফুনজিদুনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী মখাদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর থ্রিদা ঈশিং পীরম্বা অদু লেপখ্রে।

অমরোমদা, কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর-১৩ গী কাউন্সিল্লরনা লুচিংবা কাউন্সিলগী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা ঙসিদগী জে.সি.বি শিজিন্নদুনা রিজার্ভর শেংবগী থবক চথখ্রে।

কেম্প (এল) ঃ সাইক্লোন রেমালনা মরম ওইদুনা কা হেন্না শোকহল্লবা মফমশিংদা রাজ্যগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্টনা লুচিংদুনা হেলথ কেম্প কয়া পাঙথোক্লি। ঙসি লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজ অমদি নমদুলোংদা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট ডাঃ এল. ইন্দিরানা লুচিংদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ২৫০ হেন্না লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

ফোক্স (এল) ঃ মে অহুমদগী চথুরকখিবা মণিপুরগী ইরাং অসিদা অৱাবা নংদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা দিমাপুর মীতৈ কাউন্সিল ৱিমেন ৱিংনা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখ্রে। ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমদি মণিপুর ৱিমেন্স ফেদরেসনকা খুৎশমদুনা তেংবাংগী পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

রেড ক্রোস (এল) ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ২০২৪ গী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী মার্তিন গ্রামার স্কুলদা রিটর্ন ক্বিজ কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে। কম্পিটিসন অসিদা মকোক

মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

ক্বিজ (এল) ঃ শৈখ বাবুমচা মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী শেন্থুং মখাদা য়ুনাইতেদ য়ুথ ওফ ক্ষেত্রিগাউনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা অনিসুবা ক্ষেত্রিগাউ রিটন ক্বিজ কম্পিটিসনগী মকোক মথং তারক্লবশিংবু মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে। ক্ষেত্রি ময়াই লৈকাইদা লৈবা অববা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট সেক্রেটরি শৈখ অবদুল হকিম শরুক য়াখি।

কাং (এল) ঃ ৱালিদা ৱাবগাইনা শিন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা চথরিবা ২৪ শুবা অরান্বম সমরেন্দ্র নিংশিং কম-ওন নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.এস.কে. ৱাংগোই কেন্দ্র কাংখুৎনা ধ্রুবতারা ৱাবগাই কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ২২-১০ দা থোইখ্রে।

রিপোর্ট (এল) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা সাইক্লোন রেমালনা থোকহনখিবা অমাং অতাশিংগী রিপোর্ট জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা রাজ্যগী দাইরেক্তর রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট পীশিনখ্রে। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না সাইক্লোন অসিনা মরম ওইদুনা জিলা অসিগী খুল ৯৮ গী মীওই লিশিং ৭৫ রোম শোকহনখি হায়রি। সাইক্লোন অসিগা মরী লৈননা রিলিফ কেম্প ২৩ সু হাংদোকখি।

মেট ঃ মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর আই.এম.দি ইম্ফালনা হায়রি- ইম্ফাল ইষ্ট নত্তনা রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা হয়েং ফাওবদা অখাক অরাউ অমসুং নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)না হায়- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি মরিনি অসিদা ভারতকী অৱাং নোংপোক অমসুং ভারতকী খা থংবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই । লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ অমসুং

দিল্লি য়াওনা মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং খরা মখৈদি হন্থরক্লি। আই.এম.দি সাইন্তিষ্ট আর.কে. জেনামনিনা অকাশবানিদা হায়- দিল্লি য়াওনা অৰাং নোংচুপ ভারত্তা শাবগী চাং হন্থরক্লি। মহাকা হায়- থা অসিগী মরিদগী তরুক ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা নুংশিৎ অমসুং অখাক অরাউ য়াওনা পারপনা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং সিক্কিমদা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

মীখলঃ সিক্কিম বিধান সভা মীখলদা সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চা (এস.কে.এম)না চাউনা মায় পাক্লে। পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৩২ গী মনুংদা সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চানা সিট ৩১ দা মায় পাক্কুনা এবসুলুট মেজোরিতি ফংখ্রে। লেমহৌরিবা সিট অমা অদ্না সিক্কিম দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনা ফংখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি অমসুং এস.কে.এম দলগী প্রসিদেন্ট প্রেমসিংহ তমাং- রেনোক অমসুং সোরেং চাকুং বিধান সভা কেন্দ্রশিংগী মায় পাক্লে।

অমরোমদা, অরুনাচল প্রদেশকী অপুনবা বিধান সভা কেন্দ্র ৬০ গী মনুংদা ভারতিয়া জনতা পার্তি (বি.জে.পি)না সিট ৪৬ তা মায় পাক্লে। নিংশিংবা য়াই, বিধান সভা কেন্দ্র ১০ দা বি.জে.পি লম্বা য়াওদনা কাখ্রবনি। মখোয়গী মনুংদা মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি চাইনামেন য়াওরি। মীখল অসিদা নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি)না সিট ৫, নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্তিনা সিট ৩, পিপলস পার্তি ওফ অরুনাচলনা সিট ২, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসনা সিট ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেনট মীরেপ ৩ মায় পাক্লে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সিক্কিমদা এন.দি.এগী এল্লায়েন্স ওইরিবা সিক্কিম ক্রান্তি মোর্চানা চাউনা মায় পাক্লকপদা হরাউবা ফোংদোরক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা অরুনাচল মীয়ামা বি.জে.পিবু চাউনা শৌগৎতুনা মায় পাকহল্লকপা অসিদা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা দল অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা মখা তানা তৌখিগনি হায়রি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনসু অরুনাচল প্রদেশত বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাককপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

মরক অসিদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না অরুনাচল প্রদেশ বিধান সভা মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্তিনা চাউনা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অদুদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্লকপা অসি মফম অদুগী মীয়ামা দল অসিদা থাজবা থম্মী হায়বদু তাকপনি।

অসাম ঃ অসামদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউদা মীওই ১৫ লৈখিদ্রে। রাজ্য অসিগী জিলা ১০ গী মীওই লাখ ৬ হেন্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। হৌজিক ঈচাউগী ফিভমদা অহোংবা লৈত্রি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুবদগী ঈচাউগী অৱাবা অসি মায়োকবনি। মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈখ্রে। কোপিলি, বরাক অমসুং খুসিয়ারা তুরেলশিংগী ঈমায় খুদোংথিনিঙাইগী থাক্কী মথক্তা চেল্লি। রাজ্য অসিগী হাইলাকান্দি, হোজাই, মোরিগাউন, করিমগঞ্জ, নাগাউন, কছার, দিব্রুগর, গোলাঘাৎ, করবি অংলোং ৱেষ্ট অমসুং দিমা হসাউ জিলাশিংগী মীওই লাখ ৬ হেন্না ঈচাউনা শোকহল্লে।

সরকারগী পাউনা হায়- রাজ্য অসিদা মমাং থাগী ২৮ দগী সাইক্লোন অমসুং ঈচাউনা মরম ওইদুনা মীওই ১৫ লৈখিদবনি। হৌজিক ফাওবদা ঈচাউনা শোকহল্লবা জিলাশিং অসিদগী মীওই লিশিং ৪০ হেনবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। নাগাউন, হোজাই অমসুং কছার জিলানা ঈচাউ অসিনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা জিলাশিং ওইরি।

এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি মীয়াম য়াওনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথরি।

মীফম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা নোংজ় নুংশাগী ফিভম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মীফমশিং ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা অৱাং নোংপোক লমদমদা সাইক্লোন রেমালনা মাংহন তাকহনখিবশিং অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কা হেন্না শাবদগী মীয়ামা অৱাবা মায়োকরিবা অসিগী মতাংদসু খন্নখি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা য়ুম কৈ, মাল চাং অমসুং চীং নীংখায়বদগী মিজোরম,

অসাম, মণিপুর, মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাদা অৰাবা নংলিবা অসিগী মতাংদা কুপা খন্নখি। প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্যশিং অসিদা পীবা য়াবা তেংবাং পীগনি হায়রি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- আই.এম.দিগী মতুংইন্না রাজস্থান, গুজরাত অমসুং মধ্য প্রদেশতা শাবগী ফিভম অদুমক লৈখিগনি। চহি অসিগী ওইনা কুমগী নোং মহৌশাগী চুফম থোকপা চাং নত্রগা মদুগী খরা হেনগৎনা চুরবা য়াই হায়রি। মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা খুদক্কী ওইনা মী কন্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈবা তঙাইফদে। হোস্পিতাল অমসুং অতৈ মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ইলেক্ত্রিক্তগী অশোই অঙাম থোক্তনবা তোইনা য়েংশিনবা তঙাইফদে।

------